# নুংশিবা চিঠি কয়াগী মরক্তা ‘ইমাদা ইবা চিঠি’ শৈরেং লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা

নুপী ওইবীশিংগী অৱাবদি নুপীশিংতনা হেন্না উশিল্লি অমদি খঙই। অপিকপা ইমুং, অচৌবা ইমুং, কাঙলূপ-ফুরুপ, লাইনীং-লাইশোন মান্নদবা মীওই কয়ানা খুন্দাদুনা লৈবা লমদমশিংদা ইতৎ তত্তনা তাই মুক্লবগী, য়ান্নদবগী, চারৌ-মৌরৌনবগী। আইদেন্টিটি হায়বসিসু অমুক লেংদনা অমদি ঙাক্না থমদবা য়াদে। মরমদি মান্নদবা মরক্তা মালেমসিদা ফজবা নুংশিবা হায়বদু য়াওদুনা লৈরি। য়ূমথংনবনা ফনা য়াম্না খৎনবা হৌরবসু কনাগুম্বা কায়জ-লাঞ্জদবা মীওইশিংদি মী খৎনবা তন্দুনা অমদি মদুনা করিসু পুন্সিদা নুংঙাইবা অমদি শান্তি পুরক্তে হায়বসি খঙদুনা লেম্না লৈথোকপা য়াওদবা নত্তে। লম মচেৎ খরগী খৎন-চৈনদুনা শিবদা পুবা য়ারোইদবা লম খরগী খন্দুনা করিসু মীকারুদবা পুকচেল চাউবা মীসু হৌজিক মতমসিদা অদুমক লৈতবা নত্তে। অদুবু চুম্না হৌজরিবা তলা পামেল নাচুম্বা অদুদা য়োৎকী শীংজংনা অসুম য়ানশিল্লক্লবদি লেপ্লা অদুম হাইথখিবা তাবনি ফনা য়াম্না লাঞ্জদ্রবসু। মসিনি হৌজিক মতমদা ইতৎ তত্তনা থেংনবা চাওখৎলবা লৈকায়দা, সহরদা অমদি খুঙ্গংদা থেংনরিবা মী মশেল মরককী লান অমা হায়রগদি। অদুবু নুংশিবগী চন্নবা থম্মোয়, অমকপা য়াওদ্রবা ৱাখল মীওইবা ফুরুপ্পু অমত্তা ওইনা উবা ঙম্বা মীওইশিংসু ঙসিগী মালেমসিদা মরাং কায়না লৈরি। মখোয়না পীরি হিংবগী আশা, পুন্সিগী ফজবা শক্তমশিং। পুন্সি অমসুং খুন্নাই অমনা মীওইবদা মতম খুদিং পারা অমদি তল্লি লেপ্তুনা। মসি উশিনবা খঙজিনবা অমদি তঙাই ফদে হায়না খল্লি।

অইবী খোইস্নাম ওংবী বীরলা ১৯৭৮দা ত্রিপুরাগী মৈতৈ খুল অমা ওইরিবা গৌরনগর খোৱাইদা পোকখি। ত্রিপুরাদা লৈবা মণিপুরী নুপী ওইবীশিংগী মরক্তা মহাক্কীসু ফিদা অমা চাউনা কন্দুনা লাক্লি। কুমজা ২০১২দা অহানবা শৈরেং লাইরিক ‘প্রলয়গী খূৎশেক্তা’ হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমা ফোঙখ্রে। হৌজিক হৌজিক আগরতলা নুপীশিংগী লূপ ‘তখেল তেংবাঙ লূপ’ কী সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরি অমসুং থা অহুম অহুমগী চেফোঙ ‘তখেল্লে নাচোম’ গী এদিটরসু ওইরি। মহাক্না খুন্নাইসিদা লৌরিবা থৌদাং অমদি মণিপুরী খোরিরোল চাওখৎনবা হোৎনরিবা অসিবু শকখঙবা ওইনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরানা ‘লৈহাও তেম্বী মেমোরিএল লিটরেরি এৱার্দ, ২০১৩ পীখি অমসুং ঈপাক ফিল্মস মণিপুরনা ‘অখাং কনবী মৈতৈ লৈমা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দসু পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

অইবী অসিনা মহাক্কী মিংথোল ওইরিবা শৈরেং অসিদা নুংদা ফুমদুনা চেলহল্লিবা ইচেলদি নুংশিবনি, ধর্ম্মনি, ঙাকপীহৈবদুনি। অৱাবা, নুংঙাইতবা, পেন্দবা, কাঙলূপ ফুরুপকী মুক্লবা পূন্নমক লাকয়েল তাইশিনবদি পাল্লি শংবান্নবা অতিয়াগী ফজরবা ফিজোলদা অমত্তা ওইনা মীওইববু। অপিকপা ফুরুপ্পু অচৌবা কালূপ্না মখোয়গী ফিবান্নুংদা য়োমশিন্নবা তৌবা থৌরাং মহাক্না পামদে। মীওইবা ওইনা পূন্না লৈনিংই। অদুবু করাম চাওরবা মীওইবগী লীচৎ অদুবুদি মহাক তুমিন্না য়েংদুনা লৈবা ঙমদে অদুনা পেঞ্জদনা পাউদম্লি ইরিবা চিঠি অসিদা, “*মহূ পানবা জিবশিংনা তানশিল্লক্লে/মীনম্বা শারমচৎ চৎপশিংনা/শেৎনা শেৎনা চারক্লিবা/অকোইবগী শম্বল লানশিল্লত্তুনা/ঙসিদি ফনা য়াম্না চঙশিল্লক্লে/মপু পান্দবগুম্না, শরৌ লাং থাক্তুনা/পীতৎ পাতৎপা মীমান্নদ্রবা নচাশিং/অহিং চাক্তাবশিংগী খয়াত্তা/নুংতি নুমিৎ ফাদোক তারিবা।/ পীদোন্নরবা ৱারীসে/করম্না পাউদমসিগে ইমা।*” *অচুম্বা হায়বা লাইৱা অদুদি মতম খুদিং তুংইঞ্জবা পাল্লি। মরমদি মসিদা লৈরি মীওইবগী অথোইবা মগুণসু/অদুনা পলেম অপোকপীনা তাকপীরম্বা লাইৱা অদু কাউবা লৈতে অইবীনা।” ধর্ম্মদি হৌজিকসু মাঙদ্রি/ইমানা তম্বীবা পুন্সিগী লাইৱা/চেৎনা থম্মি নচাশিংনা/ৱাশক কয়াগী ৱারেপ ঙাক্তুনা/ধম্মগী লানফমদা/মোয়বুংগী নুংশিবা মখোল ঙাইদুনা।”*

শৈরেং ৪৪ পুল্লগা শেল্লিবা লাইরিক অসিদা ‘ইমা’ হায়বা শৈরেং অসিনা হৌদুনা ‘ঐখোয়গী লাইবক কনানা লেপকনি’ হায়বা শৈরেং অসিনা লোইশিল্লি। মসিদা য়েক্লিবসি মণিপুরনি। ৱাহং কয়া হংলি অইবীনা লমদম অসিদা লৈরিবা মশাগী ওইজবতা থিরিবা মচাশিংদা মণিপুর ইমাগী। ঐখোয় মশেল মরক্তা লিংজেল মান্নদবগী তারিবা অপিকপা পুকচেল অসিবু য়েংদুনা লৈবা ঙমজদে অদুনা মকা ফোংনা হায়দোকনীংলকই অদুনা হংলক্লি, ‘*অমগা অমগা ৱাখল তান্নদ্রবা/অমনা হায়বদা অমনা তাবিদ্রবা লমদমসিদা/কনানা লেপহৌগনি ঐখোয়গী লাইবক’ ইমা নচাশিং ঙসিদি লম্মুক্লরে...*’ অইবীনা তেংথারি ৱাখল থেল্লবা মচাশিংগীদমক। অদুগা নাওথি শাজরি ইমা মহাক্কী মফমদা, ৱাদবসু ঙমদে। নিংদোল পোল্লি মণিপুর ইমাগীদমক অদুনা হায়রক্লি, ‘*মপা মপু মীরাইবগা/মায়পাকপগী করি ইতিহাস ইগনি!/হায়য়ু তাসি ইমা/লমদমসিদা ঐখোয়গী লাইবক কনানা লেপকনি!*’

ইমা হায়নদং পল্লকপদা পূক্নিং নৌরোইদবা মচা কনা লৈরমগনি। পোক্লফম লমদমবু নুংশিদবা লৈরম্লোই মালেমদা কনাসু। অদুনা ‘ইমা’ হায়রিবা অসিনা নুংশিনা ‘*শোনলি তত্তনা/মৈতৈ পোকপী ইমা/নঙগী কোলোয় মিংলেনতবু/মীনুংশি চাওবী নহাক্কী/অমত্তা ওইবগী লংলানা/চেৎনা কীরিবা কীশিসে/তৎনা থানবা য়াদ্রবা/ঈ মরীগী নুংশিবা/নচা ঐগী থম্মোয়সিদা।*’ লমদম তাম্না লৈরগসু হেন্না পূক্নিং নুংশিবা পোকহল্লি। মতম লৈবা খিবিক্তা মপান মণিপুরদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মীওইশিংনা ইমা লৈবাক মণিপুরবু কয়াগী মতিক নুংশিজবগে হায়বদু শৈরেং অসিদা মমি ফজনা তারি।

অহল লমনশিং, মপু মবেন্না মচা মশুশিংদা পীরম্বা পাউতাক পাউজেল কয়া ঙসিগী মীরোলনা কয়া থৌশানরক্তবা অমদি চাওখৎপগী মীংদা হোংলক্লিবা লমচৎ শাজৎ, থকসি-খাসি থৌগল্লোন পূন্নমক অসিগী খঞ্জবদা ৱাদবা ঙমদে অইবীনা অদুনা হায়রক্লি, “ইমাগী পাউতাক কাউনরে” হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা, “*মেনশিন্নবা কনা লৈতরে/মচেৎ তানা কিন্থরক্লে/পুরেল পুধৌগী লীক্লমসে... খ্বাংজেৎ মচী লাংলম্বা/ঙসিদি উবা ফংলক্তরে*”ইচম চম্বা ৱাহৈনা ৱাহন্থোক লৈনা শাফু লৈনা ফোঙদোকপা হৈবগী হৈ শিংবা অদুমদি শৈরেং অয়াম্বদা থেংনৈ।

মীওইবনা চাওখৎপগী মীংদা মহৌশা অকোয়বদা লৈরিবা উমং ৱামং, চীং, পাৎ, তুরেল কয়াদা লেপ্তুনা লান্দাদুনা লাকপনা অঙকপা ফংনা হোংলক্লিবা অমদি কায়থরক্লিবা মহৌশাগী শক্তম। মসিগীদমক্তা অইবনা তেংথাজরি মহাক্কী শৈরেং ‘মহৌশা’ হায়বসিদা। অইবশিংনা হেন্না সেন্সিটিভ ওইবা অমদি হেন্না উশিনগল্লি হায়বসিসু অইবীনা খুন্নাই অসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগী মতাংদা ইরক্লিবা অমদি অশোয়বা, অরানবা কয়াবু চুমথোক্লীংবগী ফোঙদোক্লিবা ৱাহৈশিংনা লেঙদ্রবা খুদমনি। অহোংবা, অওনবা নাইবা পুন্সি খোঙচৎকী লেপ্তুনা চৎলিবা লম্বী পরিংদা থেংনরিবা নুংশিবা মীকুপ, কাউঙমদ্রবা থৌদোক, অৱাবা পুংফম, খাংঙমদ্রবা চৈনাখোল, পাউখুম লৈত্রবা পুন্সিগী ৱাহংশিং পূন্নমক মহাক্কী শৈরেংগী কেনভাসতা মমি তাদনা তোক্তে।

নুংশিবগী মীৎকুপশিংগী মরক্তা কুমওন খুদিং পুদুনা লাক্লিবা শজিবু চৈরাওবগী নুংশিরবা শক্তমশিং, হিয়াঙ্গৈ থানা লাকপদা কুমজা খুদিং পাঙথোক্লিবা নিংঙোল চাক্কৌবা কাউবা লৈতে অইবীনা। অদুনা শৈরেং ওইনা থোক্লকই চৈরাওবগী নুংশিরবা নুমিৎকী শক্তমশিং। নিংঙোল ওইবীশিংনা থৌরাংনা মতম খুদিং ঙাইজদুনা লৈজবা নুমিৎ নিংঙোল চাক্কৌবা শৈথাদুনা ইরক্লি, “*অৱা-নুংঙাই মরক্তা/চহী কুমজা খুদিং/য়াইফ পাউজেল পুদুনা/লাকই মৈতৈ নিংঙোল চাক্কৌবা। য়ূম্লাক শাগৈ হোংলবী/নিংঙোলগী শল্লাং খোমগৎলবী/হরাও মীনোক তমজরি...*”

অইবীনা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিং য়াম্না থোৎ-মেংবা অমদি ইচম-চম্বা ৱাহৈনা লাইরিক অসিবু পারুবা অপাবশিংগী থম্মোয়বু পেলহল্লি, নুংশিবা ফাওহল্লি অমদি ৱাখল খলহল্লি। খোরিরোলগী পান্দমসু অপাবশিংদা ৱাখল খলহনবদুনি অমদি করিগুম্বা লম্বী অমদা লান্না চৎলুরবশিংদা অচুম্বা লম্বী অমা তাকপদুনি, মঙাল অমা পীবদুনি খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি। হীরম অসোমদা য়েংবদা শৈরেং লাইরিক অসি মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়াই।

— **তোংব্রম অমরজিৎ**

লাইরিক্কী মমিং :-
**ইমাদা ইবা চিঠি**


অইবী :-
**খোইস্নাম ওংবী বীরলা**

অফোঙবা :-
**অশাংবা কম্যুনিকেসন, ইম্ফাল, ২০২১**

লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**

লাইরিক্কী লমায় মশীং :- ১৩০

লাইরিক্কী মমল :- ২০০/-




# মাউন্ট ইভরেষ্ট কাফম বেজ কেম্প অমসুং মাউন্ট কলাপথরদা ঐগী খোঙচৎ - ৩

মরিনি চনবা নুমিৎতা অয়ূক্কী ব্রেকফাষ্ট চারবা তুংদা ঐখোয়গী খোঙচৎ অমুক হৌরে। তপ্না তপ্না ঐ চীং কাবসু হৈনরক্লে, ঐগী খোঙথাংগা শ্বর হোনবগা চাশিন্নবা ঙল্লে, অদুনা ঐগী ট্রেক্কিংগী নুংঙাইবসু হৌরক্লে। মদুদা ঐখোয়না ফোরেনর কয়াসু থেংনরম্মী, ঐখোয় অমগা অমগসু গ্রিটিং তৌনরম্মী। মখোয়না হায়বদি পুন্সি হায়বসি চহী ৮০দগীনা হৌরক্লিসিনি। অহল ওইরবা চীংকারোই কয়া য়াওরি, লম্বীদা থেংনবা জর্মন লৌমী অমদি চৌমিন নোদুলস, সুপ, চাক অঙৌবা চাবদা পেল্লে হায়রম্মী। ঐখোয়না চাক থোংলিবদুদা মহাকসু লাক্লম্মী, ঐখোয়না হেক থোংবমা মহাকসু চাগে হায়রম্মী। ঐখোয়দি নুংদাংগী চরাগীদমক অচম্বা চাক্না ইরোম্বগা থোংবনি, ইরোম্বদু ঐখোয়না লাকপগী লম্বীদা থেংনবা ৱানৌ মচাগা তোক্লিংকোক্না ফুক্লক্লগা পাংনা শানবা লোনবনি। জর্মন মচাদুনা ঐখোয়গী চাক এঞ্জাংদু পাম্না চারম্মী অদুগা ঐখোয় মশেল মাবু মণিপুরগী চিঞ্জাক চাবা তম্বীরে হায়না নোকমিন্নরম্মী। মানা হায়রকপা ৱাগী পাউখুম ওইনা বীজয়ানা মহাকপু “ইরোম্বনা চউম্মে’ হায়রম্মী। ঐখোয়না রিসর্চ মহৈরোয় অমসু থেংনরম্মী; মহাক্তি ঈশিং মনুংদা হৌবা পাম্বীশিংদা থিজি ল্লিবা মাল্লি, মাদি মাগী রিসর্চ ৱার্কতুদগী ঙহাক পোথাবা ওইনা চীং কাবশিংগী মরক্তা য়াওরকপা মাল্লি। ঐখোয়গী অশৌবা ঈশিং লোইখিদুনা চীংদা ফংবা ঈশিংদা আইওদিন হাপ্লগা থক্লম্মী মরমদি হিমালয় চীংশাংদি গোইটর থোকহনবগী মফমনি। ফোরেনর চীংকারোইশিংসু অসুম্না ঈশিং থক্লবা ঙাক্তনি। রিসর্চ মহৈরোয়দু অয়াম্বা মতমদা ঐখোয়দগা পুল্লম্মী অদুগা পূন্না চীং কামিন্নরম্মী।

ঐখোয়না অসুম কারকপগা ঐঙোন্দা থুক থুক লাউবমা পোল্লম্মী, কোকসু চিল্লম্মী, ইহৈ হৈনীংলমদে অদুনা ঐনা ময়ামদা চনিং তানা শ্বর হোন্দোকখিগে হায়রম্মী। অদুদগী বীজয়ানে, নন্দরানিগা ঐগা অহিংদুমা লৈহৌরে অদুগা মথংগী নুমিৎতা ঐখোয়গী খোংবুগা পূন্না হোৎনরম্মী। প্রোফেসর সরতসু অৱাংবা হৈনদবদৈ ঐখোয়গী লৈফমদগী খরগা হেন্না মখাদা কুমখরে, মাগী হার্টকী প্রোব্লেম খরসু লৈবা মাল্লি। ৱাকি-টোকিদা মহাক্না পাউ ফাওনদুনা মথংগী নুমিৎতা ঐখোয়গা পূন্নবা অমসুং পূন্না কামিন্নবা হায়নরে।

ঐখোয় পোথারুবদগী ঈশিং নুংশিৎতুদা খরা হৈনরক্লে। অয়ূক্তুদা পূন্না কাখৎমিন্নবা প্রোফেসর সরত কাখৎলকপা ঙাইরগা লৈরে। কারকপদা লাম্থোরকপা চীং খুদিংমক, কিঞ্জাদগী লামজুল্লা, লামজুল্লাদগী রিঙ্গু লোইনমক মাগী মাগী থোইদোকপা ফজবা লৈজৈ; জুম্বেসি তম্পাকসু মফম অদুদগী উবা ফংলম্মী, অদুদগী রেইন ফোরেষ্ট, পাইন পাম্বীগী উমং অদুদগী য়াম্থ-য়াম্থ হৌরিবা চরাং ইশংনা থল্লবা উমংশিং মথং মথং লাল্লক্লম্মী। ঐখোয়না অসুম অসুম কাখৎলকপদা অলপাইন ভেল্লি মরক খাইনা চৎলিবা ট্রেক্কিং লম্বীদা রোদোদেন্দ্রোস লৈরাংনা লম্বী থুংনা শাৎলিবা, শারেপ ফনা কূণ্ডনা হৌরিবা উপালশিংগী মপালশিংনা লৈ মচুগী অয়াকপা অৱাওবা মচুশিং, থাংজিং মপাল অমদি হঙ্গাম মপাল মচুশিংগী মপালশিংনা পীক থল্লবা লাজুল্লাগী বসন্তনা মোমোন নোক্লম্মে। ঐখোয় পূম্বা ৱাংনা কারকপগী অৱাবা হৈনদবা পূন্নমক কাউথোক্লুরে। ডা. সরতনা হৌনা লাউরকপা তাবদা মহাক্কী হার্টকী অনাবদু হৌরমাল্লে হায়দুনা য়াওরকপা হীদাক খরদুগা পায়রগা অকিবগা লোয়ননা মাগী মনাক তান্না বীজয়া ঐখোয়নি চেনখৎলম্মী। ঐখোয়না মাগী মনাক য়ৌবদদি মাদি নীংথিরবা লৈরাং ময়ামদু উবদা ফজমনবদগী হরাউদুনা লাউবা ওইরল্লে। মঙোন্দা অদুমাইনা অমুক হন্না তৌগনু হায়না ঐখোয়না চৈরম্মী। লামজুল্লা পাসটো হায়ফম খঙদনা অঙকপা ফংলবা ট্রেকনি। লামজুল্লা পাস অমসুং অতৈ মফম কয়াদা ষ্টুপা, থোং অহাইবী কয়া লম্বীদা থেংনরম্মী। উমংগী পুন্সিদা থেংনবা য়াবা খুদোংচাদবা কয়াসু থেংনরম্মী। ঐখোয়গী টিমদা য়াওবী নুপীমচা অমদি থোং অহাইবী লানবা কিবগী সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেমসু থেংনরম্মী অদুবু ঐনা কাউন্সেল্লিং পীদুনা নীংথিজনা থেংনরম্মী। অহানবদদি মতোমতা থোং লানবা ঙল্লমদে, মীঙোন্দা শল্লগা, অদুসু কিবনা কোইরাউ লাউদুনা লাল্লম্মী। ঐনা মশাগী থাজবা লাক্লবা হোৎনরম্মী, অদুগা ঐখোয় পূন্নমক্লসু পূক্নিং থৌগৎপীবদগী অকোনবদদি ময়ামগী মতেং থোইদোকপা য়াওদনা থোং অহাইবীদু লাল্লম্মী। কোন্নদি, অঙৌবগা অমুবগা লাংবা হুই অমনা ঐখোয়বু ইন্নরকপা উবদগী মাগী পূক্নিংদু হুইদুদা লূপখিবদগী থোং লানবগী অকিবদু পুল্লপ কাউথোকখিদুনা ফরম্মী। ঐখোয়না হুইদুগী মমিং ‘টেংবোচে’ থোল্লম্মী অদুগা মহাকসু খোঙচৎ পূম্বদু ঐখোয়গী তুং ইল্লক্লম্মী। ঐখোয়না মহাকপু ইম্ফালদা পুরক্তুনা এম এম টি এগী ওফিসতা থল্লম্মী অদুগা তুংদা এম এম টি এ লমদানগী ওফিসতা থমখি। টেংবোচেদু নুংশিবা হুইনি ঐখোয়গী মিসন লোইবফাওবা ঐখোয়গা লোয়নখি। ঐখোয় চীংগী হামেং, য়াও, য়াক, গধা অমদি পোৎ লূম্না পুরিবা পোট্টর কয়া লম্বীদা থেংনরম্মী। মাউন্ট ঈ বি সী কাবা মতমদা অকনবা ধী, চুপ্পি হায়বদুসু মহাও তংলকখি।

**নাথুলা অমসুং বুপসা**

নাথুলা অমসুং বুপসা অনীসি থোইদোক্লা অনেম্বা চীংগী লম ওইনা তৌবা নীংথিজরবা ময়ায় ওইনা শাবা মফমনি। বুপাসাদি ট্রেক্কিং য়াম্না নুংঙাইবা কাউবোইগী অপিকপা টাউন মাল্লি। লম্বীদা মনা তাদবা, মরোলসু থোক্তবা অমা থেংনদুনা, মঙোন্দা খুদোনবীনা অমদি ইঙ্গিৎনা-ঈরাংনা ঐখোয়গী মথৌ তাবা পোৎশিং খঙহন্দুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী চান-থক্লবা থোংদুনা পনদৌরিবা য়ূমদুদা ফংহন্নবা হোৎনরম্মী। মহাক্তু য়াম্নসু মতেং ওইবা অদুগা অফবা মীসু ওইরম্মী, ঐখোয়না মঙোন্দা মোরোক্না অতৈ চাক থোংবদা চংবা পোৎশিংগা ফংহন্নবা ইঙ্গিৎ তৌরম্মী। ঐখোয়না কুমথরকপদা মাগা অমুক্লসু থেংনরম্মী, মহাক থেংনবদা ঐখোয়সু নুংঙাইরম্মী।

ঐখোয়না মথক্তা কাখৎ-কাখৎলগা লম্বীদা অনানবা নূংশিং য়াম্না থেংনরম্মী। নোং চুখিবগী চোৎপগা অনানবা নূংশিংদা চৎপদুনা অমুক্না হেন্না নাল্লম্মী। অসুকপা উমং মনুংদুদা নোংসু অঙকপা ফংনা হৈথরম্মী অদুনা ঐখোয়গী লম্বীসু মাঙখিরম্মী। নুমিদাংৱাইরম ওইশিল্লকপগা লোয়ননা অসুম অসুমসু মমশিল্লকপনা লম্বীসু ফজনা উরমদে, মমনখিবনা টোর্চ লাইট কাপ্লবসু লম্বী খঙলমদে। য়ূম অমতং থেংনরবদি অহিংদুমা পল্লসি হায়নরম্মী। অনানবা নূং অমদগী নাম্থুদুনা ঐ ওন্থরমদৌবা খজিক্তা ঙাই। কাইনথংদা য়ূম অমখক থেংনবদা শ্বর খরদি হোন্দোক্লম্মী, অদুবু ডা. সরতনা থোঙ কয়ারক থিন্দুনা মপান্দগী কৌববু অমুক্তসু খুম্মক্তে। অসিগুম্বা মতমদদি নুপীগী খোঞ্জেলনা খরা হেন্না মহয় ফংগনি হায়রম্মী। ৱাদুদা বীজয়ানা অমুক কৌরম্মী। নুপীগী খোঞ্জেলগী মিত্রংনা ওইবা তাই ঙসাইমখৈ হাংলমদবা থোঙ অদু য়ূম্বুদুনা হাংদোরক্লম্মী, য়ূম্বু নুপী অমনা! ঐখোয়না মঙোন্দা অহিং অদুমতং মাগীদা লৈগে, য়ারগনা চানবা খরসু থৌরাং তৌবীয়ু হায়বদা মহাক্না য়াবিরম্মী। মফমদুদা ফংবা অচম্বা চাক্লেন অমা চারগা মহাক্না ঐখোয়গীনি হায়না পীবা কা অমদা অহিংদুমা লেল্লে। ঐখোয় ৱাবনা লোইরে অদুনা ঙাইহাক তূম্নবা হোৎনরম্মী। অহিংদু য়াম্নসু ইংলম্মী, ঐদি ঈংবনা থক-থক নিক্লম্মী, করি লৈবগে হায়না কোইনা য়েংবদা ফক্লাং ময়াদা মোম্পাক অমা উরম্মী, মদু লৌরগা ইথক্তা কুপশিল্লম্মী। অসুম্না অহিংদুমা লুমনা লেল্লম্মী। মফমদুদা, অদুগুম্বা ফীভমদুদা ঐখোয়না লেনখিবদো পুন্সিগী কাউঙল্লরোইদবা উমংদা করম্না লেনগদগে হায়বা ‘জঙ্গল সর্ভাইভেল’ গী পারা অমনি। মথংগী অয়ূক্তা ঐখোয়না লৈবা অমসুং চাখি থকখিবগী পৈশা পীথোক্লম্লগা ঐখোয়বু লুনা তৌবীবগী থাগৎপা ফোঙদোক্লম্লগা ঐখোয়গী এদভান্স টিম অদু ফংননবা খোঙশানবা হৌরম্মী।

ঐখোয়না মথক ৱাংনা কারিবমখৈ চাক্কী মমল প্লেট অমদা লুপা ২০০দগী ২৫০, ঈশিং অশাবা বালটিন অমদা লুপা ১০০দগী ১৫০ ফাওবা পী। লম্বীদা চৎলম্বা খরদগী পৈশা অচোইবা খরা কায়নবা হোৎনরম্মী, ইন্দিয়াগী লুপা লিশীং অমনা নেপালগী লিশীং অমগা চামঙা ফংলম্মী। এক্সপরিয়েন্স হায়বসিনা পুন্সিগী খ্বাইদগী চাউবা ওজা ওইরল্লে। মাউন্ট ইভরেষ্ট বেজ কেম্প অসি এদভেঞ্চর পাম্বশিংগী খ্বাইদগী পামজবা মফম, ‘সেন্টর ওফ এট্রেক্সন’ নি। মাউন্ট ঈ বি সী চৎপগী লম্বীদা ঐনা অঙকপা প্রোজেক্ট অনীখক মথৌ তৌহৌবা থেংনরকখি। অমনা জপানিজ শিংনা তৌবা ঈশিংদগী মৈ লৌনবা হাইড্রো ইলেক্ট্রিসিটিগী প্রোজেক্টনি। জপান চীংকারোইশিংনা মৈ ফংদবগী খুদোংচাদবদু খঙলম্মী অমসুং করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিল্লবা তুংদা অপিকপা চীংজুমদগী মৈ পুথোক্লগা, ওটো কৎকী মেকানিজমসু হাপ্লগা টাউন অদু মৈ ফংহনবনি। অনীশুবা ফজরবা প্রোজেক্টনা জর্মননা তৌবনি। প্রোজেক্ট অসিনা ঈশিং ফংহনবগীনি। পাইপকী মতেংনা ঈশিংবু মথক্তা চিংখৎলগা অৱাংবা চীংগী মফমদুদা লেপ্তুনা ঈশিং ফংহনবনি। খ্বাইদগী মথৌ তাবদু ফংহনবনি, অৱাংবা মহয়নি।

খরগা চৎথরগা ঐখোয়না সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ৩৪৪০ ৱাংবা মফমদা লৈরিবা নামচি বজারদা থুংলম্মী। মসি খুম্বু নেপাল দিষ্ট্রিক্ততা লৈবা টাউন অমনি। টিবেট মচাশিংনা লম্বী অসিদা লাক্লগা লল্লোন ইতিক তৌই, মখোয়গী শামতুগী পোথোকশিং য়োল্লে। ঐখোয়না পৈশা ওন্থোক ওনশিন তৌবশিংদগী নেপালগী পৈশা ওল্লম্মী। বুদ্ধিষ্ট নুপী অমনা চলাইবা হোটেল অমদা ঐখোয় লৈরম্মী; নুপীদুনা ঐগা বীজয়াগদা সিঙ্ককী ইন্নফি পীরম্মী অদুগা মাগী ইমুং হূপ্না ঐখোয়বু বরসু পীরম্মী। ঐখোয়গী টিম মেম্বর পূন্নমক্না ঐখোয়গা নামচি বজারদা থেংনরে। মফমদুদগী তেংবোচে, দিংবোচে, লোবুচে অমসুং মাউন্ট ঈ বি সী তম্না খোঙশাল্লে। টিম অসিনা মাউন্ট ঈ বি সীদগী গোরেকসেপ লম্বীদা মাউন্ট কলাপথর চীংদোন লোমখি। ঐখোয়গী টিমনা অৱাংবা হৈনদবগী, মফমদুগী অঙ্গৈ অশাগা চূশিন্নদবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি অদুবু এক্সপিদিসন মনুংদা হীদাক খরা চারগা মতম চানা অমসুং ওক্সিজেন শীজিন্নদনা চীংদোন লোম্বা ঙমখি। হান্নগী লম্বীদুদা ঐখোয় হল্লকখি। সিভালায়াদা জুনিয়র চাউবনা ঐখোয়বু ঙাইরম্মী। ঐনা মহাকপু য়েংলম্মী। পঙকন কন্দবা জোনদিস তৌরম্বা থেংনখি, মদুগীদমক হীদাক খরা তাল্লম্মী। জিরিদা থুংলবদা ঐখোয়না হেল্থ কেম্প অমা শিল্লম্মী, মদুদা অনাবা চহুম হেন্না য়েংলম্মী, হীদাক পীরম্মী। ঐখোয়গী মিসনদু মায় পাক্লা লোইশিনখি। ঐখোয়না গুৱাহাটি য়ৌবদা দি দি কে গুৱাহাটিদা প্রোগ্রাম অমা পীরম্মী মদুদা মখোয়না ঐখোয়গী টিম লীদর চাউবা, ডা. সরত, বীজয়া য়ূম্লেম্বম অমসুং ডা. সাধনা নিংথৌজমবু ইন্টরভিয়ু লৌরম্মী। ঐখোয়না মণিপুর য়ৌরকপদসু আকাশবানি ইম্ফালনা ঐখোয়বু ইন্টরভিয়ু অমুক লৌখি। ঐখোয়গী মিসনদো ঐখোয়গী থম্মোয়দা মতম কুইনগী ওইনা মমি তাহৌরবা য়াম্না শীংথানিংঙাই ওইবা, পুন্সিগী তাঙনা ফংবা এক্সপরিয়েন্স অমনি। লোং লিভ এম এম টি এ। -*ডা. সাধনা নিংথৌজম*

**ৱারী ককনাউ**

# হঙোই লাবা

“থায়না ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, হঙোই খোংবা তাবদা ইপাহোয়না য়াম হরাওনরম্মী, নোং তারক্কদৌরে হায়না। অদুবু হৌজিক্তি হঙোইসু মকুম মথা হায়বা অমা লৈত্রে, খোংনীংবা মতমদা পংখোংদা খোংঙে, চোঙনীংবা মতমদা ফন-ফন চোঙঙে। হঙোই তান চাদবা অখৎপা কাঙবুসিনি, ইঙ্খোল য়োৎপাক তৌবদা শোয় শোয়দনা শিনরিসে, খোংবান লুকপান্দসু অদু মঙাই, মতম চাদনা মেল্লে লাংদুনা সোরোক লাম্থোক-লাম্থোক্তুনা চোঙবদা হৱাগাড়ীনা তক-তক্তনা শিনরিসে, সি কৈমতা খঙদমাল্লেনে”।

ঙসিদি ইবেম্লেদু ইশৌ ফজনা লাংই, মখ্বাংদা শেৎলিবা ফনেক্তু নাকন অমনা চোম্থৈ নাকল অমনা কৌখৎলি, অদুগা মাঙ্গোল দারিদু নুরা অমা পায়দুনা ৱাই ফৎ-ফৎ তৈবা হৌরকপদগীনি ঙাঙলিবা। ঙাঙজৈ হায়দু ঙাই, মখূৎতি লেপ্পা নত্তে। মসি ইবেম্লেগী হৈনবীনি। ইশৌ খরা কনজৈ হায়বৈ ৱানি, থবক ফখ্রজাৎনি। ইমুংগী কুপনোমদগী হেন্দোক্তুনা চাওনোম মানা লোইনা তৌরিনি। কনাগী লৈকায়গী শীংলুপকী, পোৎয়েং-চায়েং, মচাগী মবুক থন্নবা হোৎনবা কৈদৌবা মানা লোইনা কোয়চেন চেন্দুনা হোৎনরিনি। ইরোলগে হায়না থাঙ্গৎলুরগা ঙারি লৈরমদবদা, লুপা তরাদগী ঙারি লৈবীনবা মী লৈপোত্তে, চাকখুমদগী চেনচৎ চৎতুনা লৈরুরিনি। মাই মথৌদু মাঙ্গোলদা মচু ইথোক থোক্তবা কোলর শেগাইরবা ফুরিৎ অমা লিৎলগা পোজ তৌরগা মোরা অমা থাদুনা ফল্লগা পাউচে পারিবা মাগী নুপা মোমোননা মোমোন নোক্লম্বদগী শুক্লপ তৌনা তারি। মরক মরক্তা মাগী নুপীদা মখা তারুনু হায়বগী টাইপতা মীৎচিনা হেক হেক য়েংলকই। মাগী নুপীদি মখা চথরি,

“য়ূমসে ইবেম্লে ঐ ওইবগী পাল্লিবনি, নৎলমদ্রদি নহান্না পাইদুনা চৎখ্রদৌনি। চুমখ্রেদা থায়না ঐখোয় ইন্দোমচানা হায়খিবদো, ইবেম্লে, নুপা মশম নান্না নান্না হাৎপা নুপাসে কোয়রুনু, থবক শিৎ শিৎ নাম্থোকপনি হায়দো, মদু ঐনা তাখিদে, নুংশিরকইদা ইন্দোমচা, হৌজিক্তদা নীংঙল্লক্তেদা”। হন্দক্তি মোমোন পূক্নিং চঙফাত্তনা মাগী নুপীগী ৱা ময়ামদা থৈদোক্লবা পারম্বা পাউচেদু মখোল থোক্না থোক খুমজিল্লগা খুম্মকই,

“নঙনা ঙসাইদৈ ঙাঙলিদু কনাদনো?”

“হাইমা পানবা য়াওরবরা, মশোং ফল্লকইনা?”

“হে! মী উশিত্তবা তৌনুকো, ঐ নুপানি হায়সিনি, থোক থোক তৌরক্কনি”

“হা হা য়ো! নোক্তুম নোকচনীংই, নুপানি হায়দুনা কৈদৌদৌরিবা, নফি ফুরিৎ অমফাও মচু অপাম্বা খল্লগা লৈবা ঙমজদবা নঙনা কৈদৌদৌরিবা?”

“মসি য়াম ঙাঙখ্রেদা”

“ঐনা সি য়ৌনা থৱায় চাক্তুনা ঙাঙলিসি, নঙনা তারক্ত্রিসি কয়াম কুইরে হা?”

“ঐসে হোৎনবা য়াবা হোৎনরিদনা, দাও অমা ইয়া য়াদদনা তৌরিনিনে”

“নঙগী দাউদুদি নপুন্সিগী য়াররোইদবনি। ঐনা হেক লাকত্রিঙৈ মমাঙদগী য়ারক্তুবা দাওনি, নঙনা নদাও হাইফেৎ য়াখিবা হায়বু, ঐ ফংজখিবদো অদু মঙাই”

“মসি ঙসি ঈ কারক্তনা খূৎ য়াওরক্কনিসে”

“য়াওনা, নখূৎ য়াওদবদগী নৎত্রো, য়ূমসিনা ক্বাক মখোঙ পুথগুম পুথরক্লিসে?”

“ইবেম্লে, ৱা ঙাঙবদা খরা খরা খন্থরগা ঙাঙঙু, নঙনা খরা হোৎনৈ হায়দুনা অদুক য়াম কন্না পংহায় হায়গনু। হন্দক ঐসু পার্টি হোংলগদবনি, হন্দক্তি খরা ফরনি, ঐনা হেক য়াওরু য়াওরুবা পার্টিসে মওং অমা ইতা তাদে, ঐনবু য়াওবা পার্টিদা লেপ্পা কেন্দিদেট অমত্তা ভোট কাদে, হন্দক্তি শোয়দনা কাদৌ মাল্লে, মদুবু ওইরদি নঙ পোত্থারদবনি”

“হো ইবুংঙো, পোলিটিক্স তৌদুনা মাগী মাগী খুদোংচাবা য়েং য়েংদুনা চোঙলিবা কেন্দিদেটশিংদো, অদুগা নঙগা য়াম খেন্নৈ, মীদি শেল পায়বনি, নঙনা নথুন কোঙ-কোঙ লাওবনি, মীনা চোঙবদি কৈসু হায়নদে, মতুংদা মীবু ইন্নৈ, নঙনা মোই মতুং ইন্দুনা চোঙবদি মীনা নুংশিদে, করি থোক্তনা তৌজ-শারিনো হায়নৈনে”

“কনানা হায়নরিবা, মৱা লৌদে?”

“নঙনা মৱা লৌদবদৌনা মীনসু নঙবু মৱা লৌদে, চহী তরাসিদা নঙনা চোঙলকইবা পার্টিসি কয়া য়াম্মে, অমদা অমুক শৌগৎ, অমগী মতুং অমুক ইন্না, মীনা নঙসে, জোকর ওইনা উই হায়সি নঙ খঙদেনে”

“হে! মদু ঐসু খুদোংচাবা লৌরিবনিনে, নাতৈ চাদনা অমুক্তং ঐনা শৌগৎপদুনা কারকপদা ঐখোয় নুংঙাইদৌরিনিনে”

“য়ারে য়ারে য়ারে, চোঙগেরা ফনগেরা, নঙসে য়ূমসিদা মী ওইনা থাবা য়াবা নত্তে, করিবু কান্নরিগে, নঙনা ফদিগোম মরূ অমা হুল্লগা চাবা নত্তে”

“নোই নুপীগী ফদিগোমদা জাৎ তাবদু তৌরক্কনুনে, ফদিগোমবু এঞ্জাংলো, লৈরগা চারগা লোইরে”

“হো ইমা! শিদবু ঐনা করি হায়দুইনো? ওম্থোকপনিদকো ঐগী লাইবকসে, কদাইদা কমদৌনা থেংনরুরিনো খঙদেনে, ঐখোয়বু পকনৈ হায়দনা কুঠি য়েংলক্লিবা ইপন তোমালদু চৎলগা মকোই অরনবদু ফোইরুনিসে ঙসি”

“মসি নুপীসিদি জাৎ অমনিদনা, ঐদি নহানখৈ খঙবু খঙদে, মীগী মকোই ফোইরুনিয়ে, কিবু কিশল্লক্লেদা, ঐগী খোঙগ্রাওসিসু কোচি থদৎকেগা হায়রক্কনিকো”

“তানিংদেকো, ঙসি ঐনা খোঙ খূৎ শৎ তিংথোক্লগা ফম লৈরদি নঙ নুংঙাইনি হায়সিনি”

“হো ৱারগনা ঙাইহাক পোত্থারো”

“ইলেক্সন নকশিল্লকপগী ভোট লেপনীংবশিংনা ঈরাং তৌদুনা হঙোই লাবা ওল্লগা ফন-ফন চোঙনদৌ তৌরিসি, মাগুম্বা কৈসু লৈতবা মানসু চোঙদৌ তৌরিনে, ঐ পেল্লে, ঐ পেল্লে, হঙোই লাবদা য়ূম পাল্লুবা ঐ পেল্লে”। ঙাঙনা ঙাঙনা ইবেম্লেদু য়েনখারোমদা চৎখ্রে। মোমোননা য়েংলগা লৈহৌই। মথক্তা শোনজহৌরি,

“ঐবু হঙোই লাবা??”

— **নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।